# কিরগিষ্টানগী য়ুম্নক্তা টর্কিগী কার্গো প্লেন কায়বদা মীওই ৩৭ শিখ্রে



বিসকেক, জানুৱারী ১৬ :
নিংথৌকাবা নুমিৎতা কিরগিষ্টানগী মরু ওইবা এয়রপোর্টকা তাইনবা য়ুম-কৈশিং লৈবা মী তাবা এরিয়া অমদা কার্গো প্লেন কায়বদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩৭ শিখ্রে হায়না ইমরজেন্সি সিচুয়েসন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখ্রে।

টর্কিগী বোইং ৭৪৭ তু কেপিটেল বিসকেক্কী খাদা লৈবা মানাস এয়রপোর্টতা কায়খি অমসুং প্লেন অদুদা তোংবা মীশিংগা লোয়ননা এয়রপোর্টতুগা তাইনবা মী তাবা এরিয়াদা মীওই কয়া শিখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিৎকী প্লেন ক্রাস অদুদা শিখিবা মী মশিং সেন্ট্রেল এসিয়ন লৈবাক অদুগী ইমজেন্সি ওফিসলশিংনা ৩৭ নি হায়না ফোঙদোকখিবদা প্রসিদেন্সিয়ল প্রেস ওফিসনদি ৩১ নি হায়না ফোঙদোকখি।

মখা তানা প্রসিদেন্সিয়ল প্রেস ওফিসনা ফোঙদোকপগী মতুং ইন্না অশিবা হকচাং মাপনগী শরুকশিং রিকোভর তৌরে। অঙাং তরুক য়াওনা মীওই ১৫ হোস্পিটালাইজ তৌখ্রে।

থৌদোক থোকফমগী ইমেজশিংনা প্লেনদুগী মচিনদু চেক্কী য়ুম অমদা চঙশিল্লগা লৈবা অমসুং য়াল্লবা অকায়-অতোইশিং অকোয়বদা চাইরগা লৈবগী শক্তমশিং উৎখি।

রনৱেদগী য়ুম মচা-মচাশিংবু তোঙান্না লৈহল্লিবা মেটল শন্বলগী মপানদা লন্নাই য়ুম দজন কয়ামুক চবুন ওইনা লৈ। অফঘানিষ্টানদা ওপরেসনশিং চথবদা শিজিন্নরদুনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মানাস এয়রপোর্টতা মিলিটরি ইন্সটোলেসন অমা ওপরেট তৌবা হৌখিবদগী এয়রপোর্ট অসি শিংথানিংঙাই ওইনা পাকথোক চাউথোকখ্রে। অমেরিকান ক্রুপশিংনা বেজ অদু থাদোখিবগা লোয়নননা কুমজা ২০১৪ দা মদু কির্গিজ মিলিটরিদা শীন্নখি।


য়ুম ১৫ থুগায়খ্রবা মী তাবা এরিয়া অদুদা অয়ুক থেংজিল্লকপদা রেস্ক্যু ৱার্কর লিশিং অমা হেন্না পুনখি হায়না দেপ্যুটি প্রাইম মিনিষ্টর মুখামেটকালি অবুলগাজিয়েভনা হায়খি।

ক্রাস অদুগী মরম খুদক্কী ওইনা শেংনা খঙখিদে। কির্গিজ ইমরজেন্সি সিচুয়েসন্স মিনিষ্টর কুমাটবেক বোরোনোভনা পাউমীশিংদা হায়খি মদুদি, প্লেনদুনা এয়রপোর্টতা তানবা হোৎনরকপা মতমদা মানাসতা লৈচিল থাখি তৌইগুম্বসুং নোংচিংগী ফীভমদি থোইদোক্না ফত্তবা ওইখিদে হায়রি।

টর্কিশ মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না, প্লেন অদু ইষ্টানবুলদা বেজ তৌবা কার্গো কম্পেনি অমগীনি অমসুং মদু হোং কোংদগী পাইখিবনি।

টর্কিশ ফোরন মিনিষ্টর মেভলুট কাভুমোগলুনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মহাক্কী কির্গিজ লেঙমান্নবা ইলান অবদিলদাইভতা ফোন তৌখি অমসুং টর্কিগী মহৎ শীন্দুনা অৱাবা ফোঙদোকখি হায়না টর্কিশ ফোরন মিনিষ্ট্রিনা হায়রি।

# নেটোনা ত্রম্পকী সিক্যুরিটি কম্মিটমেন্টদা চপ চানা থাজবা থল্লি



ব্রসেলজ, জানুৱারী ১৬: প্রসিদেন্ট খল্লবা দোনাল্ড ত্রম্পনা নেটোবু মতমগা চূনদ্রে হায়না ফোঙদোকখিবদগী য়ানিংদবা রিয়েক্সনশিং ফোঙদোক্লবা লৈরবসু য়ুরোপ্তা য়ু এসনা থল্লিবা সিক্যুরিটি কম্মিটমেন্টদা নেটোনা ঙসি অমুক হন্না থাজবা ফোঙদোকখ্রে।

ত্রম্পকী ৱাহৈশিংদা কম্মেন্ট পীনবা হায়বদা নেটোগী স্পোক্সমেন অমনা হকথেংননা পাউখুম পীখিদে তৌইগুম্বসুং হৌখিবা দিসেম্বর ৬ তা পাঙথোকখিবা এলাইন্সকী ফোরন মিনিষ্টরশিংগী মীফম অমদা এলাইন্সকী মকোক জেন্স ষ্টোল্টনবর্গনা ফোঙ-দোকখিবা ৱারোলদা রিফরেন্স পীখি।

মীফম অদুদা ষ্টোল্টনবর্গনা হায়খি, 'য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা নেটোদা, ত্রান্স-এটলান্টিক বোন্দদা অমসুং য়ুরোপকী সিক্যুরিটি গরেন্টিশিংদা পীরিবা কম্মিটমেন্টশিং মখা তানা ঙাকখিগনি হায়না ঐহাক্না চপ চানা থাজৈ।'

'ঐহাক্না অসুম্না চপ চানা থাজবা থমই, মরমদি মহাক্না (ত্রম্পনা) য়ুরোপিয়ন লীদর কয়াদা অসুম্না হায়খ্রে অমসুং মহাক্না ঐঙোন্দসু চয়োল খরগী মমাঙদা ফোনদা ৱারী শানবদা মান্নবা মওংদা হায়রকখ্রে।' নেটোবু মপাঙ্গল কলহনবা হায়বসি য়ুরোপিয়ন মীচংশিংগীদা নত্তনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ওইনসু য়াম্না তঙাই ফন্দবা অমনি হায়না ষ্টোল্টনবর্গনা চেকশিন্না হায়খি।

নেটোগী আর্টিকল ৫ গী কলেক্টিভ দিফেন্স প্রোভিজন চৎনহনখিবসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা ৯/১১ গী টেরর এটেকশিংদু চথখিবা মতম খক্তদনি হায়না মহাক্না নিংশিংখি। ঙরাং মরু ওইবা পাউচেশিংনা লৌখিবা ইন্টরভিয়ু অমদা ত্রম্পনা নেটোবু মতমগা চূনদ্রে হায়না কন্দেম তৌখি, বৃটেননা তুংগী য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নদগী তোকখিবা মতুংদা ব্লোকসিগী তুংগী ফীভমগী মরমদা চিংনবা ফোঙদোকখি অমসুং রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনবু থাগৎখি।

# নরায়াগঞ্জ মীহাৎ : বাংলাদেশতা মীওই ২৬ শিবগী চৈরাক পীখ্রে



ধাকা, জানুৱারী ১৬ :
ৱায়েল চথুনবগীদমক্তা ইন্দিয়াদগী থারকখিবা হান্নগী সিটিগী কাউন্সিল্লর অমা য়াওনা মীওই ২৬ অমসুং বাংলাদেশকী এলিট সিক্যুরিটি ফোর্সকী সিনিয়র ওফিসর অহুম হৌখিবা কুমজা ২০১৪ দা নরায়াগঞ্জদা মীওই তরেৎ মীহাৎ থীনা হাৎখি-বগীদমক্তা শিবগী চৈরাক পীখ্রে।

'কনভিক্ট ২৬মক শিদ্রিফাওবা মঙক্তা থৌরি থুদুনা য়ানগনি' হায়না নরায়াগঞ্জগী দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ সয়েদ ইনায়েট হোশাইননা হায়খি। মদুগী মমাঙদা কনভিক্টশিং অদু সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়নননা দোকতা পুরকখি।

নরায়াগঞ্জগী মীহাৎশিং অদুগা মরী লৈননা শিবগী চৈরাক লাউথোক্লবা মীওই ২৬ তুগী মনুংদা হান্নগী নরায়াগঞ্জগী কাউন্সিল্লর নুর হোশাইন অমসুং হান্নগী বাংলাদেশ আর্মিগী লেফটিনেন্ট কর্নেল তারেক সায়ীদ য়াওরি।

গভর্ণমেন্টকী কেবিনেট মিনিষ্টর অমগী মস্মাকনুপা ওইবা সয়ীদ মীহাৎশিং অদু চথুখিবা মতমদা নরায়াগঞ্জদা রেপিদ এক্সন বট্টালিয়ন (আর এ বি) গী কম্মান্দর ওইরম্মী। শিবগী চৈরাক পীরবা ওফিসর অহুমগী মনুংদা মহাক্না খ্বাইদগী সিনিয়রনি।

অতৈ অনীদুনা মহাক্কী কম্মান্দ মখাদা ক্রাইম লাকশিনবা এলিট য়ুনিটতা লৈখিবা অরিফ হোশাইন অমসুং নেভিগী লেফটিনেন্ট কম্মান্দর এম এম রানানি।

শিবগী চৈরাক পীখিবা মীওই ২৩ কোর্টতা মশা য়াওদনা চৈরাকশিংদু লাউথোকখিবনি। অতৈ মীওই মাপন্না মখল-মখা কয়াগী জেল টার্মশিং পীখ্রে হায়রি।

নরায়াগঞ্জগী দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজগী কোর্টনা ভার্দিক্ট অদু পীখিবনি।

নুর হোশাইন বাংলাদেশতা ৱায়েল চথুনবগীদমক্তা ইন্দিয়ানা শীন্নরকখিবনি। মহাক কোর্টকী ৱায়েল নাম্হোক্লবা বাংলাদেশতগী চেনখি। মহাক বাংলাদেশতগী চেল্লকখিবা মতুং মতম ইকান কান্নদনা ৱেষ্ট বেঙ্গল পুলিসনা ফাখিবনি। ৱেষ্ট বেঙ্গলদা কোর্টকী ওর্দর অমগী মতুং ইন্না হোশাইনবু জেল অমদগী থাদোক্লবা মতুংদা বোর্দর সিক্যুরিটি ফোর্সকী মীওইশিংনা কুমজা ২০১৫ গী নবেম্বর ১২ দা বোর্দর গার্দ বাংলাদেশতা শীন্নখি। মহাক মীওই তরেৎ হাৎখিবদুগী মাষ্টরমাইন্দনি হায়রি।

হোশাইননা মীহাৎশিংদু পাঙথোক্লবা আর এ বিগী ওফিসর কয়া শেল পীজদুনা নেকখি হায়রি। বাংলাদেশকী আর এ বি অসি আর্মি ওফিসরশিংনা দেপ্যুটেসনদা কম্মান্দ তৌই। হোশাইন অসি রুলিং অৱামি লীগকী মেম্বরনি।

ৱারেপ অদু কোর্ট অদুনা আর এ বি পার্সনেল ২৫ য়াওনা মীওই ৩৫ হৌনবী মতুং ইন্না মরাল শীখিবা মতুংদা লাউথোকখিবনি। বাংলাদেশকী লোগী মখাদা শিবগী চৈরাকশিং হায় কোর্টনা শৌগৎকদবনি।

# সি আই এগী দিরেক্টরনা দোনাল্ড ত্রম্পতা ৱাহৈ-ৱাতা য়েংলগা ঙাঙনবা, রসিয়াগী মতাংদা চেকশিন্নবা হায়খ্রে

ৱাশিংটন, জানুৱারী ১৬:
দোনাল্ড ত্রম্পনা ওফিস পায়গদবা নুমিৎ খরখক্কী মাঙওইননা সি আই এগী দিরেক্টর জোন ব্রেননা নোংমাইজিং নুমিৎতা য়ু এসকী প্রসিদেন্ট খল্লবা রিপব্লিকান অসিদা কায়নবগী অকনবা পাউজেল অমা পীরদুনা রসিয়াগী মথক্তা থল্লিবা অথিংবশিং কোমথোকপগী মায়োক্তা চেকশিন-ৱা পীবগা লোয়ননা মহাক্কী ৱাঙাঙ-শাঙাঙ ৱাহৈ-ৱাতাশিং য়েংশিন্নবা হায়খ্রে।

য়ু এস ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংবু নাজি জর্মনিগা চাংদম্নবগীদমক্তা ব্রেননা ত্রম্পকী মায়োক্তা নুংনাংবা কন্না ফোঙদোকখি। থবক্তুগী পোত্থা-গদৌরবা সি আই এগী চীফনা পীবা কম্মেন্টশিংদা ত্রম্পপু নুংনাংবা ফোঙদোকখিবসিনা লাক্কদৌরিবা প্রসিদেন্ট অমসুং মহাক্না ইরাই নুমিৎতা ওফিস পায়বা হৌবগা কম্মান্দ তৌবা হৌগদৌরিবা ইন্টলিজেন্স এজেন্সি ১৭ কী মরক্তা মহৌশাগা মান্নদবা মওংদা মুক্লবগী ফীভম লাক্কদৌরি হায়বদু উথোক্লে হায়রি।

ফোক্স ন্যুজ সন্দেগী ইন্টরভিয়ু অমদা ব্রেননা প্রসিদেন্ট খল্লবা মীশক্কী ব্রোদকাষ্টতা মহাক য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মশাগী ইন্টলিজেন্স এজেন্সিশিংদা থাজদে হায়বা মতমদা মালেমদা মদুনা করি পাউজেল পীরিবনো হায়না হংখি।

'য়াম্না নুংঙাইতনিঙাই ওইরিবদি (য়ু এসকী) ইন্টলিজেন্স কম্যুনিটিবু নাজি জর্মনিগা চাংদম্নবা অসিনি। মদুদা ঐহাক য়াম্না নুংঙাইতে অমসুং মীয়াম্না খঙনরবা ইনর্ফোমেসন অমা লিক ওইহল্লি হায়না ত্রম্পনা ইন্টলিজেন্স কম্যুনিটিদা খুৎ থিনফম থোক্তে' হায়না ব্রেননা হায়খি।

## HDFC BANK AUCTION NOTICE FOR GOLD ORNAMENTS

The borrower (s) (whose details are provided in the table herein below), in particular, and the public, in general, are hereby informed that the below mentioned Loan account is overdue, and the borrower account holder has not responded to/complied with the communications and notices send by HDFC Bank Limited (the "Bank") requesting the Borrower to clear his/her/ their dues as per the documents in respect of the below mentioned Loan signed/accepted by the borrower (such documents, collectively "Loan Agreement") and therefore defaulted in terms thereof. The Bank has in exercise of its rights as a pledgee, decided to enforce the pledge and therefore hold a public auction of the gold ornaments pledged to the Bank as security for the loan for the purpose of selling the same and realizing / recovering the dues owed by the borrower to the Bank. **The auction will be conducted at below mentioned Branch on 24.01.2017 at 12.30 PM onwards.**

| Loan No | Borrower's Name & Address | Date of Loan | Total Overdues as on 17/01/2017 | Place of AUCTION |
|---|---|---|---|---|
| A0550706 | SALAM RANJITA DEVI, KHURAI KONGPAL IMPHAL EAST MANIPUR 795010 | 16-Apr-16 | 61048 | HDFC BANK LTD, Tampha Ebema Building Gandhi Avenure Next To SBI Imphal-795001 Manipur |
| A0443089 | SANASAM SURJIT SINGH, THOUBAL SABANTONGBA LAMKHAI PO/ PS THOUBAL - 795138 | 11-Feb-16 | 103071 | HDFC BANK LTD, Athokpam Awang Leikai, Near Thoubal Dc Court Athokpam Awang Leikai, Thoubal-795138 Manipur |

The auction shall be conducted on an "AS IS WHERE" and the "AS IS WHAT IS" basis and the Bank is not making and shall not make any representations or warranties as regards the quality, purity, caratage, weight or valuation of the said gold ornaments. It shall be the sole and absolute responsibility of the potential purchasers to verify, examine and satisfy themselves about the quality, purity, caratage, weight or valuation of the said gold ornaments prior to placing their bids and for such purpose it shall be open to potential purchasers to examine, at their sole cost and expense, and at the address set out hereinabove, the gold ornaments whether with or without expert advice 45 minutes prior to the time stipulated for the conduct of the auction. All bids shall be subject to such minimum reserve price as the Bank may deem fit to fix in this regard. The auction process and the sale (if any) pursuant to such auction shall be subject to such further terms and conditions as the Bank may at its sole discretion deem fit to impose.
If the borrower(s) mentioned above pays the amount due to the bank in terms of the Loan agreement in his individual loan account in full before the auction as mentioned above, the pledged ornaments securing the said loan may be withdrawn by the bank from the said auction without any further notice. Please note that it is the absolute discretionary power of the undersigned authorized officer of the Bank, either to postpone or to cancel the auction proceedings without prior notice and without assigning any reason therefore and to reject any or all the bids or offers without assigning any reason for the same.

Date : 17/01/2017
Place : MANIPUR
HL-B/3618/17
AUTHORISED OFFICER
HDFC BANK LTD.

## KANGLEIPAK MODERN SCHOOL

(A GOVT.PERMANENT RECOGNISED, ENGLISH MEDIUM HIGH SCHOOL AND AFFILIATED TO BOSEM)
SINGDA KADANGBAN P.O LAMSANG, IMPHAL WEST
ESTD. 1994

ADMISSION OPEN

NURSERY TO IX, BOTH DAY SCHOLARS AND BOARDERS FOR THE SESSION 2017-18

ADMISSION STARTS: 24TH DEC. 2016
SESSION STARTS: 19TH JAN. 2017

ACADEMIC RESULTS IN HSLC Examination AT A GLANCE

| YEAR | PASS P.C. | NO. OF LETTER MARKS |
|---|---|---|
| 2012 | 100 | 10 |
| 2013 | 100 | 25 |
| 2014 | 100 | 35 |
| 2015 | 94 | 5 |
| 2016 | 79 | 3 |

SPECIAL FEATURES:-
* 100% CONCESSION IN TUITION FEES for the third & more ward(s) of same parent
* FREE Boarding fee(Dec.), Adm. Fee &school tuition fees for 1st position holders in the annual school exam.
* With many inspirational AWARDS & PRIZES.
* Special consideration for the students from BPL families and for fatherless children.
* Extra tutorials for weak students.
* Medical Facility, free dental check up.

BOARDING FACILITY, TRANSPORT FACILTY, CO-EDUCATION, COMPUTER CLASS,ETC.
email: kangleipakmodernschool@gmail.com www.facebook.com/KangleipakModernSchool,Singda-ImphalWest,Manipur
*For more details contact the school office during working hours.

PERFECT FRUITFUL LIFE

HL-P/0201/3-31 Jan. (Alt).

# নাইজিরিয়াগী য়ুনিভর্সিটিদা বোম পোকখায়বদা মীওই ৫ শিখ্রে



মাইদুগুরি (নাইজেরিয়া), জানুৱারী ১৬ :
নাইজেরিয়াগী অৱাং-নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা মাইদুগুরি য়ুনিভর্সিটিদা বোম অনী পোখায়বদা য়ামদ্রবদা মীওই ৫ শিখ্রে হায়না ৱিটনেসশিং অমসুং পুলিসনা হায়রি।

অহানবা ব্লাষ্ট অদু প্রোফেসরশিংনা অয়ুক্কী লাইশোল শোল্লিঙৈদা মোস্ক অমদা থোকখি অমসুং মখোয়গী মনুংদা অমা শিখি হায়না মহৈরোয় অমনা ফোঙদোকখি। অনীশুবা বোম অদুনা য়ুনিভর্সিটিগী গেটতা পোকখায়খি হায়না য়ুনিভর্সিটিগী ৱার্কর অমনা হায়খি।

পুলিস কম্মিস্নর দামিয়ন চুকৱুনা হায়খি, মোস্কতা বোম পোকখায়বদুদা য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর অমা য়াওনা মীওই ৫ শিখি অমসুং অশোকপা মীওই ১৫ হোস্পিটালশিংদা পুখ্রে।

পুলিসকী পাউ মতুং ইন্না, পোকখায়রিবা বোমশিং অদু সুইসাইদ বোম্মরশিংনা তৌখিব্রা নৎত্রগা প্লান্ট তৌখিবা বোমশিংলা হায়বদু খঙখিদে।

মাইদুগুরিদা এটেক কয়া চথুখ্রে তৌইগুম্বসুং মসি বোকো হারামদা মরাল শীবা য়ুনিভর্সিটিদুদা চথুবা অহানবা এটেক্নি। বোকো হারাম অসি নাইজিরিয়াদা এক্টিভ ওইবা ইস্লামিক ষ্টেট ওফ ইরাক এন্দ দ লেভন্ট (আই এস আই এল) গী ব্রাঞ্চ অমনি। গ্রুপ অসিগী ৱাহন্থোক্তি ৱেষ্টর্ন এদ্যুকেসন থিংই হায়বনি।

মসি হৌখিবা থাদা নাইজিরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুহম্মদ বুহারিনা বোকো হারামবু 'তকখায়খ্রে' হায়না ফোঙদোকখিবা মতুংদা চথুরকখিবা এটেক্নি। নাইজিরিয়ন ক্রুপশিংনা নোর্থ ইষ্টর্ন নাইজিরিয়াদা লৈবা মখোয়গী ষ্ট্রোংহোল্ড থুগায়খিবা মতুংদা বুহারিনা মখোয়বু তকখায়রে হায়খিবনি।

ক্রুপশিংনা লেমহৌরিবা বোকো হারাম টেররিষ্টশিং অমসুং অচেনবা টেররিষ্টশিংবু তকথোকপগী ওপরেসনশিং মখা তানা চথুরি। ওপরেসনশিংদুদা লালহৌবা কয়া হাৎখ্রে অমসুং অয়াম্বনা নুপী অমসুং অঙাংশিং ওইবা লালহৌবশিংনা ফাখিবা মীওই ৫৮ রেস্ক্যু তৌখ্রে। লাম্নী অমা ওপরেসনশিং অদুদা শিখি।




## EMPLOYMENT NEWS

### NER Recruitment 2017- North Eastern Railway – General Departmental Competitive Examination (426 Vacancies) – Last Date 10 February

**North Eastern Railway Recruitment 2017**
North Eastern Railway, Izatnagar invites application for the post of General Departmental Competitive Examination (426 Vacancies). Apply Online before 10 February 2017.

Advt. No. : NER/RRC/GDCE/2016
**Job Details :**
Post Name : Assistant Loco Pilot
No. of Vacancy : 224 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 2000/-
Post Name : Ticket Collector/ Ticket Examiner
No. of Vacancy : 46 Posts
Pay Scale : Rs. 5200-20200/-
Grade Pay : Rs. 1900/-

**Eligibility Criteria for North Eastern Railway Recruitment :**
Educational Qualification :
For Assistant Loco Pilot : Matriculation or its equivalent with ITI Approved by NCVT/SCVT in relevant trade.
for Ticket Collector/ Ticket Examiner : 12th or its equivalent with 50% marks in aggregate.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 42 years (as on 01.01.2017)
**Age Relaxation :**
For SC/ST Candidates : 05 years
For OBC Candidates : 03 years
For PWD Candidates : 10 years

**Job Location : Gorakhpur (Uttar Pradesh)**
**Selection Process :** Selection will be made on Computer Based Test.
**How to Apply North Eastern Railway Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website http://www.ner.indianrailways.gov.in/ from 25.12.2016 to 10.02.2017.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 25.12.2016
Last Date for Submission of Online Application : 10.02.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.ner.indianrailways.gov.in/uploads/files/1482494955726-GDCE%20Notification%20Eng.pdf
**Apply Online :** http://www.nergkp.org/index_ner_rrc_gdce_2016.php

### IOCL Recruitment 2017 – Indian Oil Corporation Limited – 89 Technician Apprentice Vacancies – Last Date 13 February

**IOCL Recruitment 2017**
Indian Oil Corporation Limited (IOCL) invites Application for the post of 89 Technician Apprentice in various disciplines. Apply Online before 13 February 2017.

Advt. No. : IOCL/MKTG/SR/APPR/2016-17
**Job Details :**
Post Name : Technician Apprentice
No of Vacancy : 89 Posts
Pay Scale : Rs. 7530/- (Per Month)

**Eligible Criteria for IOCL Recruitment :**
Educational Qualification : 3 years full time regular/sandwich Diploma in relevant Engineering.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 24 years as on 01.12.2016
**Age Relaxation :**
For OBC Candidates : 03 years
For SC/ST Candidates : 05 years
For PWD Candidates : 10 years

**Job Location : All India**
**Selection Process :** Selections for engagement would be based on Written Test and Personal Interview.
**How to Apply IOCL Vacancy :** Interested candidates may apply Online through the website https://www.iocl.com from 01.02.2017 to 13.02.2017.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 01.02.2017
Last Date for Submission of Online Application : 13.02.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : https://www.iocl.com/download/SRO_Apprentice_14012017.pdf
**Apply Online :** https://www.iocl.com/PeopleCareers/job.aspx

### GAIL Recruitment 2017 – 73 Executive Trainee Vacancies – Last Date 17 February

**GAIL Recruitment 2017**
GAIL (India) Limited invites application for the post of 73 Executive Trainee through GATE-2017 score. Apply Online before 17 February 2017.

Advt. No. : GAIL/OPEN/ET/3 A/2016
**GAIL Vacancy Details :**
Post Name : Executive Trainee
No. of Vacancy : 73 Posts
Pay Scale : Rs. 24900-50500/-
**Discipline wise Vacancies :**
Chemical : 23 Posts
Mechanical : 15 Posts
Electrical : 15 Posts
Instrumentation : 10 Posts
Civil : 05 Posts
Business Information System : 05 Posts

**Eligibility Criteria for GAIL Recruitment :**
Educational Qualification : Bachelor Degree in Engineering in Chemical/ Petrochemical/ Chemical Technology/ Petrochemical Technology/Mechanical/ Production/ Production & Industrial/ Manufacturing/ Mechanical & Automobile/Electrical/ Electrical & Electronics/Instrumentation/ Instrumentation & Control/ Electronics & Instrumentation/ Electrical & Instrumentation/Civil/ Computer Science/ Information Technology with minimum 65 % Marks.
Nationality : All India
Age Limit : 28 years as on 20.01.2017
**Age Relaxation :**
For OBC Candidates : 3 years
For SC/ST Candidates : 5 years
For PWD Candidates : 10 years
**Job Location : All India**
**Selection Process :** Selection will be based on Group Discussion and/ or Interviews
**How to Apply GAIL Vacancy :** Interested candidates may apply Online through GAIL website www.gailonline.com from 10.01.2017 to 17.02.2017.
**Important Dates to Remember :**
Starting Date for Submission of Online Application : 10.01.2017
Last Date for Submission of Online Application : 17.02.2017
**Important Links :**
Detail Advertisement Link : https://gailebank.gail.co.in/Online_recruitment_ET2017/pdf/DETAILED_ADVERTISEMENT.pdf
**Apply Online :** https://gailebank.gail.co.in/Online_recruitment_ET2017/career.asp